‘মালোমগী মীপূম তিংনা হীদাক কাপ্লে’

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচএনএস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবদা লৈবা মালোম খুলনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা মীপূম তিংনা হীদাক কাপথোক্লবা ইহান হানবা খুল অমা ওইবা ঙম্লে।

মালোম খুলনা টোটেল ভেক্সিনেটেদ ভিলেজ ওইবা ঙম্লকপদা হরাওবা অমদি অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীহুৎ এম এল এ দা. থোকচোম রাধেশ্যামনা মহাক মশাগী থাগী তলবতগী খুল অসিগী টাস্ক ফোর্সতা লুপা ১০,০০০গী শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

শেলগী মনা পীবা অদুগা মরী লৈননা এম এল এ দা. টিঐচ রাধেশ্যামনা হায়, হৈরোক এ সীগী মনুংদা লৈবা মালোম খুলনা কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্নবা মীপূম তিংনা হীদাক কাপথোক্লবা অহানবা খুল ওইবা ঙম্বসি য়াম্না থাগৎনিঙাইহনি। হৈরোক এ সীগী মীয়াম অসি লৌমীনা অয়াম্বা ওইবনা মী অয়াম্বা কুম অমগী লৌ থাবদা হেন্না মায় ওনশিনবদগী হীদাক কাপথোকপদা খরা মশিং ৱাৎপনি। হৌজিক্তি মী অয়াম্বা লৌগী থবক লোইশিন্নরকপগা লোয়ননা হীদাক কাপথোকপগী চাংসু ৱাংলগনি হায়খি।

এম এল এনা মখা তারদুনা, কোভিদ-১৯না অহুমশুবা ৱেভ অসি লাক্লগদি য়াম্না শাথিবা মখল অমা ওইগনি হায়না হীরম অসিদা থীজিল্লিবা অখণ্ড অহেংশিংনা ফোঙদোকপা ৱাফম লৈরে। অহুমশুবা ৱেভ অসিদগী ঙাকথোক্লবা উপাই অসি ভেক্সিন কাপথোকপা অসিতনা ওইগনি। অদুনা ঐখোয় পূম্নমক ভেক্সিন শোয়দনা কাপসি। লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু লেম্না ভেক্সিন কাপহল্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু ঐখোয়না থাগৎফম থোকই হায়খি।

পনবা য়াবদি, মালোম খুলদা লৈরিবা হীদাক কাপ্পা য়ারবা চহী ১৮গী মথক্কী মীশিং অসি ৩৫৪নি। ঙরাং শগোলশেন নুমিত্তা থংনবা খুলদগী মীওই ৩ য়াওনা তাঙ্কক অহুল্লকতা পূন্না ৩৫৭ ভেক্সিন কাপথোক্তুনা মীপূম তিংনা হীদাক কাপ্লবা খুল ওইবা ঙমখিবনি।

য়াইফ-লমজিং মৈরা ক্লব মালোম অমসুং খুল অসিগী টাস্ক ফোর্সনা শীল্লগা ঙসি এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকপা এম এল এনা শেল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপগী অচম্বা থৌরম অদুদা হৈরোক জিল্লা পরিষদকী মেম্বর টি নুংশি, লৌরেম্বম গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধাণ নোমিনী খোইরোম সনাখোম্বা অমদি ক্লবকী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

এন আই এনা...

*লামায় ১গী মখা...*অদুবু কেস অদু এন আই এ (দেল্লী)দা খুৎশিন্নরকপদগী এজেন্সী অসিনা রেগ্যুলর কেস নম্বর-৬/২০২১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেসন চথরকখিবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, এজেন্সী অসিনা চথখিবা ইনভেষ্টিগেসন অদুদা কেস অসিগী এক্যুজশিং অসিনা টেরোরিষ্ট এক্টশিং মীয়াম্বু টেরোরাইজ তৌনবগী পান্দমদা চথনবা লৌতুনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা লাল হৌনবা চথখিবনি হায়নসু চার্জশিট অসিদা পল্লি হায়রি। লোয়ননা এক্যুজশিং অসিনা থবক অসি মখোয়দা লালহৌলুপ অমনা পীরকপা এক্সপ্লোসিভ মেটরিএল অমসুং দিরেক্সনগী মতুং ইন্না চথখিবনি হায়নসু ফোঙদোরকপগা লোয়ননা কেস অসিগী মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথরি হায়রি।

অপুনবা পোজিটিভ ৯০,২৬২...

লামায় ১গী মখা... হায়রি। লোয়ননা ঙসি মীওই ৯৪৯ দিসচার্জ তৌখি। মসিগী মনুংদা হোম আইসোলেসনদগী-৩৯২, জে নিম্‌স-১০, সী সী সীশিংদগী-১৫৫ অমসুং সী ঐচ আই সীশিংদগীনা ৩২৯নি হায়রি।

কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, অতোপ্পা মীওই ৭৭৬সু ঙসি দিসচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা অপুনবা দিসচার্জ তৌবগী মশিং অসি ১,৭২৫ ওইরগনি হায়রি। দিসচার্জ তৌখ্রবা মশিংশিং অসি থারগা ঙসি ফাওবদা রিকোভর তৌখ্রবা মশিংনা ৭৮,৮৭২ (মীচম মীয়াম-৭৪,৯৭৮ অমসুং সী এ পি এফ-৩,৮৯৪)নি। হৌজিক লৈরিবা এক্টিভ কেসশিংগী মশিংনা ৯,৯৩৯ (মীচম মীয়াম-৯,৮৭৭ অমসুং সী এ পি এফ-৬২)নি হায়রি। রিকোভরি রেটনা চাদা ৮৭.৩৮নি হায়রি।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংনা দি টাইপ-১৮৬২ অমসুং বি টাইপ-৩৮৮নি হায়রি। লোয়ননা ঙরাং ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপুনবা মীওইশিংগী মশিংনা ১১,৩৪,৭১০ (ফর্ষ্ট দোজ-৯,৯৪,৯৮২, সেকেন্দ দোজ-১,৩৯,৭২৮)নি হায়রি।

কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিগী মতুংইন্না থা অসিগী জেনোম সিক্কেন্সিংগীদমক সেম্পল ৮৩ থাখীবগী মনুংদা দেল্টা ভেরিয়ন্টকী কেস ৭৮ মখা তানা কনফর্ম তৌরে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	87.597928
US Dollar	74.463334
British Pound	102.405268
Australian Dollar	54.867521
Chinese Yuan Renminbi	11.492454
Japanese Yen	0.673811
Malaysian Ringgit	17.619895
Singapore Dollar	54.733325
South Korean Won	0.064560
Saudi Arabian Riyal	19.856889
Thai Baht	2.260434

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47308.00
Mumbai	–	Rs	47640.00
Delhi	–	Rs	47512.00
Kolkata	–	Rs	47880.00

GAS NEWS

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Booking:14-07-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo. New Contact Office No. 6009392991,9362654114,03853560556. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1. also available 19kg and 5kg. please don't used the other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL.
Encourage online payment.

TANGLEI GAS OINAM
V/f- 03-07-21
B/upto - 06-07-21
Stock 306
7am to 10am
M/s K&K INDANE SERVICE
Home Delivery Only
Booking uptodate
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- 9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636./ -9863654574 /9774213728 /9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728*
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/ 8258856407 / 7005588556 / *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK.
BOOKING UPTO.23/07/2021.
VALID FROM.19/07/2021.
FOR HOME DELIVERY.
M.NO. 9089177227 & 9366597565.M.BOOKING OFFICE-9089161416. CONT. TIME.8.00AM.TO.11.00 AM.

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO 11/05/21
Sl.No. 01 to 50
Valid from 05/05/21
Time: 07 am to 10 am
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

M/S BASHIKHONG INDANE
BOOKING UPTO 16/06/21
VALID FROM08/06/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 / 8794622868 OFFICE TIMING 8.00AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.

KHUMBONG INDANE
Booking upto 30-06-21
Valid from 27-06-21
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Home delivery contact no.
7005013837
9366008621
9612023095
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 11.am

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 17/05/2021
BOOKING UPTO: 19/05/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677
(KINDLY UPDATE LATEST MOBILE NO)
TIMING: 8:00AM to 12:00 PM
(HOME DELIVERY ONLY)

দিষ্ট্রিক্ত ৩দা লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচএনএস):

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ত লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) তমেংলোং, উখ্রুল অমসুং ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা তোপিকশিংদা ওনলাইন লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে।

তমেংলোং দি এল এস এনা শীনবা প্রোগ্রাম অদুদা মসিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ত এন্দ সেসন্স জজ অরিবম গুনেশোরনা ৱেলকম এদ্রেস পীবগা লোয়ননা প্রোগ্রাম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলশিং তমখি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, মতম অমদা লৈরম্বা ‘ট্রেদিসনেল ক্রাইম’শিং অদু ঙসিদি ‘সাইবর ক্রাইম’ ওইনা লৈরে হায়রদুনা মসিবু লাকশীনবদা ট্রেদিসনেল ক্রাইমদগী হেন্না লুরি হায়খি। ‘হাও টু সেফলি য়ুজ সোসল মীদিয়া বাই আইদেন্টিফাইয়িং দি ভেরিয়স দেঞ্জর্স ওফ সাইবর বুল্লিং, ওনলাইন সেক্স্যুএল হরাসমেন্ট’ হায়বা টোপিকশিদা সী জে এম, চুরাচান্দপুর জাঙ্গৌলেন হাওকিপনা রিসোর্স পার্সন ওইদুনা ৱা ঙাঙখি। প্রোগ্রাম অসিদা জুদিসল ওফিসরশিং, পি এল ভী, পুলিস পার্সনেল অমসুং তমেংলোংগী লিগেল লিটররি ক্লবনা শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম অসিদা দি এল এস এ অসিগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা সী জে এম কে নিরোজিৎনা সাইবর ক্রাইমগী প্রোব্লেমশিং সেন্সিটাইজ তৌবদা পি এল ভী, পুলিস অমসুং ষ্টুদেন্ট লিগেল লিটরেসি ক্লবশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

উখ্রুল দি এল এস এনসু ‘ক্রিমিনেলাইজেসন ওফ দ্রগ য়ুজর্স : এ থ্রেট টু হেল্থ এন্দ সোসল দিভেলপমেন্ট’ হায়বসিগী মতাংদা মসিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি ওজেস মুতুম (সেসন্স জজ)না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ারখিবশিংবু জে এম এফ সীসু ওইরিবী দি এল এস এ অসিগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ বিনেশ্বরি মাইবমনা কি-নোট অমসুং ৱেলকম এদ্রেস পীখি। প্রোগ্রাম অসিদা উখ্রুল অমসুং কামজোংগী পুলিস ওফিসরশিং, পি এল ভীনচিংবনা শরুক য়াখি।

দি এল এস এ ইম্ফাল ইষ্টনসু ‘স্কিম্‌স এন্দ রিলিফ মিজর্স ফোর পিপল এফেক্টেদ বাই কোভিদ-১৯’ হায়বসিগী মতাংদা দি এল এস এ অসিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবী সেসন্স জজ আর কে মেমচানা শরুক য়াদুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। মালা লিসমনা রিসোর্স পার্সন ওইদুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অসিদা দি এল এস এ অসিগী সেক্রেটরি এন লনলৈমা, সী জে এমসু শরুক য়াখি।

‘কোভিদ লৈতবা লম ওইহল্লসি’

লামায় ১গী মখা... ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিদা পুন্না নুপা-নুপী ৪০৫ রোমদা কোভিদ ভেক্সিন কাপখি। লোয়ননা ক্লব অসিগী সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন থিঙুজম পোইরৈতোননা ফোঙদোরকপদা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিদা মীয়াম্না হৌনরুবা তৌদনা থোরকপগীদমক থাগৎখি। ভেক্সিন অসিমক কাপথোকহৌবা অসিনা তমথিরবা লাইচৎ অসিদগী কনবদা অমত্তা ঙায়রবা পান্দ্বে ওইগদৌরিবনি। মীয়াম্না চিংনবা লৈতনা ভেক্সিন অসিগী দোজ শুনা কাপথোকপিয়ু। লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎমিন্নদুনা লাইচৎ অসি মায়থীবা পীবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

অমরোমদা, য়াইস্কুল ভোলন্টিয়র্স ওর্গনাইজেসনগী মীৎয়েং মখাদা শেমখিবা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা শীন্দুনা মাস ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রাম অমসু ঙসি য়াইস্কুল চিংঙাখম লৈরক্তা লৈবা গোপালদেব মান্দবতা পাঙথোকখি। দিষ্ট্রিক্ত এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা টাস্ক ফোর্স অসিনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অসিদা মীওই ৪৫০ রোম হীদাক কাপথোকখি। ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিগা মরী লৈননা টাস্ক ফোর্স অসিনা কোল্লিবা মফমশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লিবা মসিগী ওভর-ওল ইন-চার্জ লাইময়ুম রজিবনা ফোঙদোরকপদা মীপুম খুদিংমক ভেক্সিন কাপথোক্নবা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা দ্রাইভ অসিদা য়াইস্কুল এ সীগী ৱার্দ নম্বর ১৪গী হীদাক কাপথোকপা য়ারবা মীওইশিং পাক শন্না দ্রাইভ অসিগী খুদোংচাবা ফংহন্দুনা ভেক্সিন কাপথোকহৌনবা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। মখা তানসু কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা থবক- থৌরমশিংসু পাঙথোক্লবা শেম শারি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা টাস্ক ফোর্সকী চ্যেরমেন সোরোখাইবম ব্রজমনি অমদি কন্ভেনর আই সান্তিবলাসু শরুক য়াখি।

চরাংনরম্বশিং কন্ট্রোল তৌরে...

লামায় ১গী মখা... মতম পূম্নমক্তা তৌদুনা লাক্লি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ঙসি ফাওবা ষ্টেট অসিদা লৈদুনা এম পি সী সী মনুংদা খঙহৌদনা থোরক্লিবা ইরাঙশিং কুপশেন শেন্নরক্লিবা ভক্ত চরন্দাসনা ঙসি অয়ুক পুং ১০দগী হৌরদুনা নুমিৎ য়ুংবা ফাওবা পার্টি অসিগী এক্স এম এল এশিংগা অহানবা ওইনা উন্নখিবনি। মসিগী মতুংদা মহাক্না নুংথিল পুং ২ ফাওবা কোংগ্রেসকী মেম্বরশিং অমসুং কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা কোংগ্রেসকী টিকেটতা মীরেপ ওইনিংবা মীওইশিংগসু উনদুনা মীফম পাঙথোকখি। অদুগা নুংথিলগী পুং ৩ তারকপদগীনা এম পি সী সীগী ওফিস বিয়ররশিংগা কোংগ্রেস ভবনদা উনদুনসু মীফম অমা পাঙথোকখিবনি।

ঙরাংসু অয়ুক পুং ১০ তারকপদগী হৌরদুনা কোংগ্রেস ভবনদা এম পি সী সীগী ওফিস বিয়ররশিংগা মীফম পাঙথোকখি। অদুগা নুংথিল পুং ৩ তারকপদগীনা কোংগ্রেস পার্টিগী তোঙান তোঙানবা ফ্রন্টেলশিং ওইরিবা য়ুথ কোংগ্রেস, মহিলা কোংগ্রেস, সেবা দল অমসুং এন এস য়ু আইগী থৌপুবশিংগসু মীফম পাঙথোকখিবনি।

হায় কোর্টনা কিশোরচন্দ্র থাদোকখ্রে...

লামায় ১গী মখা... কোর্টনা দব্লিয়ু পি (ক্রিমিনেল নম্বর ৯ ওফ ২০২১) লৌখৎলগা ঙসি মেট্টর অসিখক্তমক লিষ্ট তৌদুনা খন্নখিবনি। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলদুনা খন্নরগা পীখিবা মরক্কী ওর্দরদা ফোঙদোকখিবদা মেট্টর অসি মরী লৈনবা কন্মিটিদা পুথোক্তুনা অর্জেন্ট হিয়রিং পাঙথোকপদা মরম চাবা কেস ওইব্রা হায়বদু খঙদোক্নবা দিরেক্সন পীখি হায়রি। লোয়ননা কোর্ট অসিগী পি আই এল, লেট্টর পিটিসন অমসুং হেভিয়স কোর্পস মেট্টরনচিংবগা মরী লৈনরিবা কোর্ট অসিগী জজশিংগী কন্মিটিনা পীরকপা দিরেক্সনগী মতুংইন্না ৱাকৎ অদু রিট পিটিসন (ক্রিমিনেল) ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা মসিগী হিয়রিং পাঙথোক্নবা ঙসি লিষ্ট তৌবনি হায়খি।

ষ্টেট অসিদা টোটল কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লিঙৈগী ফিভম ওইরগসু মেট্টর অসি মীওই অমগী লাইফ অমসুং লিবর্টিগা মরী লৈনবা ওইবনা মসিগী মতাংদা লোনা য়াবা জষ্টিফিকেসন পীনবগীদমক লিষ্ট তৌবনি হায়খি। লোয়ননা পিটিসন অসিগীদমক ঙসি অয়ুকখক্তদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা ৱাকলটনমা ফাইল তৌরকখিবা কাউন্সেল এন গুনেধোর অমসুং রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এ পি পি অথৌবা খাইদেমগী মায়কৈদগী তৌনরকখিবা সবমিসনশিং কোর্টনা তাখি। লোয়ননা পিটিস্নরগী মপুরোইবনা ইরেন্দ্রো লৈচোম্বম কৌবা মীওই অমনা ফেসবুকতা পোষ্ট তৌরকখিবা ৱাফম অদুগা মান্ননা কোরোনাভাইরস লায়েংবদা ষন্থী-ষনয়ুংনা হীদাক ওইরোই হায়বা ৱাফমশিং মহাক্কী মপুরোইবনসু পোষ্ট তৌরুবদগী এন এস এদা দিটেন তৌখিবনি হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিং কোর্টনা পনখি। অদুবু ইরেন্দ্রো লৈচোম্বমগীদি সুপ্রিম কোর্টনা থা অসিগী ১৯দা খন্নদুনা মহাকপু এক্ট অসিগী মখাদা থমজিল্লকপসি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২১না পীবা রাইট টু লাইফ অমসুং পর্সনেল লিবর্টি ভাইওলেসন তৌবনি হায়দুনা থাদোক্নবা হায়রকপদগী মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ওর্দর অদু রিভোক তৌরগা থাদোকখ্রে হায়খি। লোয়ননা মহাক্কী কেস অদুগা পিটিস্নরগী মপুরোইবগী কেস অসিগগী মরক্তা খেন্নবা ফংদে হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লদুনা ৱাংখেমচা কিশোরচন্দ্রবুসু থাদোক্নবা খঙহনখিবনি। কোর্টনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লদুনা মথং থাগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নদবা নোটিসশিং পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা ইস্যু তৌখি। মসিদা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এ পি পিনা নোটিস অসিগী পাউখুম ফাইল তৌনবগী মতম পীবিনবা হায়জখি। লোয়ননা ৱাংখেমচা কিশোরচন্দ্রবু এন এস এদা দিটেন তৌখিবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মে ১৭, ২০২১গী ওর্দর অদু কেস অসিগী মথংগী নুমিৎ ফাওবা সস্পেন্দ তৌরে হায়খি। অদুগা কোর্টনা মহাকপু অতোপ্পা কেসশিংদা মথৌ তাদ্রবদি ঙসি নুংথিল পুং ৫দগী চোন্থহন্দনা পি আর বোন্দগী শেনফম অসিদা থাদোক্নবা খঙহনখি।

কোর্টকী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না জেলদগী থাদোরকপগা কিশোরচন্দ্র ৱাংখেমচানা শজিৱা জেলগী থোঙ্গালদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মহাক হৌখিবা কুমজা ২০১৮দসু চপ মান্নবা চার্জশিং অসি মঙোন্দা তৌদুনা হন্দক্কীসিগা থারগা এন এস এগী মখাদা জেলদা থা ৭ লোম লৈরে। মহাক্কী মথক্তা শীরক্লিবা মরালশিং অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি। গভর্ণমেন্ট অসিনা মমাঙগী থেঙ্খোঙশিং অদুগী মতুংইন্না ৱাখল তাদুনা মীওই অমগী ওপিনিয়ন অমসুং ৱাফমশিং রেস্পেক্ট তৌগদ্রা খনবনি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অচুম্বা তৌদ্রে। থৌদোক অসি কনাগুম্বা মীওই অমত্তদা থোক্তবা ওইসনু হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগী মঙোন্দা চার্জ তৌশিন্দুনা জেলদা থম্বগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্ট য়ৌরবসু কম্পেন্সেসন পীহন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

‘একাদমিকতা অহেনবা মীৎয়েং...

লামায় ১গী মখা... লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা শেমখিবা এস ও পিশিং মেন্টেল তৌনবা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি। ষ্টাফশিংগী মরক্তসু কোভিদ-১৯না নাহল্লকপগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। লাইবক ফবদগী ষ্টাফ অয়াম্বা লায়না লাইচৎ অসিদগী মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। মখা তানা য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টাফশিংদা হেল্থ হজার্দ লাকহন্দনবা অকনবা মওংদা হোৎনগনি হায়না ভাইস চাঞ্চেল্লর লোকেন্দ্রনা মখা তানা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি (এন ঈ পি) ২০২০দা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌরগনি হায়খি।

অমরোমদা হিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর এন্দ হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট এন লোকেন্দ্রবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা খল্লকখিবা অদুবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফ এসোসিয়েসন, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফিসরস এসোসিয়েসননা নুংঙাইবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ভি সী চেম্বরদা মহাকপু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

পনবা য়াবদি সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিশিংগী ভিজিটরশিংনা অনৌবা ভাইস চাঞ্চেল্লর ১২ এপোইন্ট তৌখিবগী মনুংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগীসু য়াওরকখিবনি। নৌনা ভি সী ওইনা খল্লকখ্রবা প্রোফেসর অমদি য়ুনিভর্সিটিশিং অদুদি সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওফ হরয়ানগী ওইনা প্রোফেসর কনকেশ্বর কুমার, সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওফ হিমাচল প্রদেশকীনা প্রোফেসর সট প্রকাস বনসাল, সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওফ জম্মুগীনা ডা. সঞ্জিৎ জেইন, সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওফ ঝরখন্দগীনা প্রোফেসর সিটি ভুসন দাস, সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওফ করনাটাগীনা প্রোফেসর বতু সত্যনরায়ননা, সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওফ টামিল নাদুগীনা প্রোফেসর মুথুকালিঙান কৃস্নন, সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওফ হায়নরবাদকীনা ডা. বাসুথকর জেরাও, সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওফ সাউথ বিহারগীনা প্রোফেসর কামেশ্বর নাথ সিংহ, নোর্থ ইষ্টর্ন হিলস য়ুনিভর্সিটিগীনা প্রোফেসর প্রাভা সঙ্কর সুক্লা, গুরু ঘাসিদাস য়ুনিভর্সিটিগীনা ডা. অলোক কুমার চক্রৱাল অমদি মৌলানা অজাদ নেসনল উর্দু য়ুনিভর্সিটিগী ওইনা প্রোফেসর সয়েদ আইনুল হাসননি।

NIELIT Imphal

(An Autonomous Scientific Society of Ministry of Electronics and Information Technology, Govt of India)
रा.इ.सू.प्रौ.सं NIELIT
Akampat, Post Box No. 104, Imphal – 795 001, Manipur
e-mail : ishyam@nielit.gov.in

ADMISSION NOTICE – 2021-22 (Course fee Free for SC & ST Students)

Sl. No.	Name of Course	Intake	Eligibility
1.	2 - years Master of Science in Information Technology (Msc. IT)	40	A candidate who has qualified any one of the following degree (i, ii) with at least 50% marks (45% for SC/ST) from a recognized University or any recognized university as equivalent thereto shall be admitted to the first yea of M.Sc. (IT) course : (i) Bachelor Degree in any discipline from a recognized University with Mathematics/ Computer Science/Statistics as one of the subjects at 10+2 level or (ii) BCA or B.Sc in IT/Computer Science/Physics/ Mathematics/Electronics Physics/or any relevant computer related recognized subject as one of the subject.
2.	3 - years Master in Computer Application (MCA)	30	Passed B.A./B.Sc/B.Com/B.E/B.Tech with minimum 50% Marks in aggregate. Such a candidate should have offered and passed Mathematics in the 10+2 Exam. Or, 50% marks in the aggregate in BCA. No cut-off marks for SC/ST students.
3.	1 - year Post Graduate Diploma in Computer Application (PGDCA)	51	Passed three-year degree course in any discipline.
4.	3 - years Bachelor in Computer Application (BCA)	170	Passed 10+2 (Science with Math or Computer Sc) Exam recognized by Manipur University offering the relevant subject (s).
5.	3 - years Diploma in Computer Science & Engineering (DCSE) - (AICTE Approved)	60	Passed (in single sitting without any grace mark) in the HSLC Examination (class-X) conducted by BOSEM or any other examination recognized by the Manipur University as equivalent and 15-22 years of age as on 1st of July 2021. Upper age limit is relaxable by 3 years for SC/ST/PH candidates.
6.	3 - years Diploma in Electronics and Communication (DECE) Engineering-(AICTE Approved)	60	
7.	1 - year NIELIT (IT) - O Level	60	Passed 10+2 or ITI certificate (one year) after matric.
8.	1 - year NIELIT Computer Hardware Maintenance (CHM) - O Level.	30	Passed 10+2 (any stream) or ITI (One year after 10 passed) in Electrical/Electronics/Computers.

Start date of online form submission : 22nd July, 2021
Last date of online form submission : 12th August, 2021
Publication of eligible list : 13th August, 2021
Admission Test/Counseling on blended mode : 14th August, 2021 onwards
Tentative date of commencement of classes : **2nd September, 2021**

HOW TO APPLY : Application can be submitted online through https://nielit.gov.in/imphal/content/admission-new or http://**14.139.207.252:8080** on payment of ₹ 200/- through e-transfer (NEFT or UPI) to A/C No. : **10678276043** of State Bank of India, Manipur University Branch **(IFSC - SBIN0005320)** or using the UPI QR Code (UPI ID : sbi.05320@sbi) given in the right side.

Application submission facility is also available at MCC NIELIT Imphal/NIELIT Extension centres at Senapati & Churachandpur on payment of ₹ 200/-.

The eligible candidates will have to appear in an Admission Test/Counseling to be conducted on blended mode. For any details updates, students are advised to visit http://nielit.gov.in/imphal or, contact **6009981505/7005854028** during office hour from 9:00 a.m to 5:30 p.m. on all working days **(Mon-Sat)**.

SBI
Scan & Pay Using Any UPI App to
UPI ID : sbi.05320@sbi
MERCHANT NAME: NIELIT IMPHAL

Sd/-
(Th. Prameshwor Singh)
Executive Director

HL-B/7047/24

রবিনা অমসুং সঞ্জিৎ মীহাৎকী কুমওন পাঙথোকখ্রে

*লামায় ১গী মখা...*অসি মৎতুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। মসিদা নত্তনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নমদুনা লালহৌবা থিবগী নামাদা ইমুং মনুংগী মমাঙমক্তদা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবিবগী ৱারী কয়ানি। অমরোমদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবিখিবদগী মতোমতা শিজখিবী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ততগী ভেলি রোজদগী হৌরগা জিরিদগী সঞ্জিতা ফাওবগী থম্মোয় শোক্লীংঙাই ওইবা ৱারী কয়াসু লৈরি। মসিদা নত্তনা মীয়ামদা হায়দোকপা অমসুং খঙহনবা ইকায়বদগী হায়দোকখিদবা কয়া অমসু লৈরি। থোইদোক হেন্দোক্লা মণিপুরগী অমদি লৈবাক অসিগী মীয়ামখক্তা নত্তনা মালেমগী মীওই কাঙলুপ কয়ানা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবা ১৭শুবা অসাম রাইফল্‌সনা জুলাই ১১, ২০০৪গী অহিংদা ময়ুমদগী মমা অমদি ইমুং-মনুংগী মমাঙমক্তদগী থাংজম মনোরমা চনুবু নমদুনা ফাখ্রগা য়াম্না তমথিবা মওংদা গেং রেপ তৌবিরবা মতুংদা মীহাৎ থীনা হাৎলগা হুন্দোকপিরম্বগী ৱারী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি হায়রি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথরক্লিবা মীহাৎ-মীপুন, মীওৎ-মীনৈ অসিগী মথক্তা লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিং, অফসপাগী পাৱর মনুং চন্দবা/পীদবা মণিপুর পুলিস কমান্দোশিংনসু কম্বাইন্দ ফোর্সশিংগী মিংদা নৎত্রগা দিফেক্টোগী মখাদা চপ চানা আর্মিগুম্না চথরক্লিবা মীহাৎ-মীপুন কয়াগী ৱাফম মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি। মণিপুর পুলিসনা শাশিন্নবা খুৎ থোক্নবগী মীহাৎশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জুলাই ২৩গী খ্বাইরক্‌পন্দ কৈথেলগী মীহাৎ অসিসু অচৌবা ইস্যু অমা ঙসি ফাওবা ওইরি হায়রি। জুলাই ২৩, ২০০৯দা মশা ৱাই শংখিদ্রবী অমদি মচাগা লোয়ননা লাকখিবী রবিনা খ্বাইরক্‌পন্দ কৈথেল ময়ায়মক্তদা নোংমৈনা পান্দুনা শিখিবগা ইকান কান্নদনা বি টি রোদকী গম্ভির সিংহ সোপ্পিং আর্কেদতা লৈবা মাইমু ফার্মাসিদা খুরায়দগী চুঙ্খাম সঞ্জিৎ মীতৈবু য়াম্না তমথিনা খুৎ থোক্নবগী নামাদা মণিপুর পুলিস কমান্দোনা হাৎতোকপীখি। মণিপুর পুলিসকী অরানবা রিপোর্ট কয়ানা মরম ওইরগা এসেম্বলীদা ফাওবা সঞ্জিৎপু মীহাৎপনি, এক্সটোর্সনিষ্টনি, টেরোরিষ্টনি হায়বনচিংবা ৱাফমদা মহাকপু ওপোজিসন অমদি রুলিং অনীমক্না অকনবা কন্দেম তৌবদগী হেন্দোক্তুনা ‘হাৎপা নত্তনা উপাই লৈতে’ হায়বা ফাওবা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টরনা হায়খিবনি হায়রি। মমাঙদসু খুৎশেমগী মীহাৎ কয়া অমা চথখিবা মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি। অদুবু সঞ্জিৎ মীহাৎকী থৌদোক অসিগী মতাংদদি টেহেলকা মেগজিননা য়াম্না মরীক চূম্না ফোটোগা লোয়ননা মথং-মনাও নাইনা মীহাৎ অদু উথোরক্তুনা মণিপুরগী মীয়ামখক্তা নত্তনা মালেমগী মীয়াম পূম্বদা মীহাৎ অসি ফেক-এনকাউন্টরদা হাৎপনি অমনি ফেক-এনকাউন্টর হায়বসি অসিনি হায়না উথোকখ্রবনি। লোয়ননা মীওইবগী খুন্নাইদা চথখিবা অচৌবা ক্রাইমনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

মীহাৎ অসিগী মতাংদা মণিপুর মীয়াম্না অকনবা খোঙজঙ কয়া চঙশিন্দুনা রবিনা অমসুং সঞ্জিৎ মীহাৎতা চেন্নরিবা পুলিস পার্সনেলশিং মতীক চাবা চৈরাক পীনবা অপূনবা লুপকী লীচিং মখাদা চঙশিনখিবনি। মীয়ামগী খোঙজঙবু নমথনবা মতম অদুগী লৈঙাক্লোয়শিংনা সেক্যুরিটি ফোর্স ময়াম থাদোক্তুনা য়েক্লবদা লান্দাবগুম মখল কয়াগী ফোর্স শীজিন্নদুনা মীওই কয়া তমথিনা ফূব্বা, ফারগা ওৎ-নৈবা, রবর বুলেটতগী হেন্দোক্তুনা লাইব বুলেট ফাওবা কাপথোক্তুনা মীওই কয়া অশোক-অপন অমদি মপুন্সি চুপ্পা শোয়নাইহনখিবা খক্তা নত্তনা অহল-নহা অমদি চহী য়াল্লবী নুপী কয়া ফাজিন্দুনা এন এস এদা বুক তৌখিবা কয়ানি। মীয়ামগী প্রেসরদা খাঙবা ঙমদবদগী মীহাৎ অসি সী বি আইদা শিন্নখিবনি। লোয়ননা হায় কোর্টনসু সী বি আইদা কেস অসিগী মতাংদা থিগৎনবা ওর্দর অমা তৌখিবা অদুগা মরী লৈননা ইন্সপেক্টর অমা য়াওনা পুলিস পার্সনেল ৯গী মথক্তা চার্জশিট থাগৎতুনা কোর্টনা ট্রায়ল চথবা হৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, নেসনল অমদি লোকল মীদিয়া কয়াদা সী বি আইগী এক্যুজ অমা ওইরিবা হেদ কন্সটেবল হেরোজিৎ মশামক্না সঞ্জিৎপু মঙোন্দা ইস্যু তৌবা পিষ্টোল অদুনা তরুল্লক কাপশীন্দুনা হাৎখিবনি হায়না ফোঙদোকপখক্তা নত্তনা কোর্টতা মহাক্কী এফিদেবিট ফাওবা পীশিনখিবা লৈরে। মরম অদুনা সঞ্জিৎকী মখুত্তা খুৎলায় অমত্তা পায়দে, সঞ্জিৎ হাৎখ্রবা মতুংদা মহাক মশাদা নুংনাংবা অমদি অকিবা অমত্তা পোকখিদে, মরমদি মীহাৎ অসি মতম অদুগী এদিসনেল এস পিগী ওর্দরগী মতুং ইন্না পাঙথোকখিবনি, লোয়ননা মীহাৎ অসি পাঙথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদসু এদিসনেল এস পিনা মঙোন্দা সঞ্জিৎকী ৱাফম অসি মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং দি জি পি অনীমকসু নোলেজ লৈরে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া মঙোন্দা থল্লকখি হায়রি।

হেদ কন্সটেবল হেরোজিৎনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা নৌনা ফোঙদোকখিবসিদগী সী বি আইনা করিগুম্বা হেরোজিৎ মশানা ফোঙদোকখিবা অদুনা অচুম্বনি হায়না মশানা মরাল য়াজবা তারবদি অমুক হন্না ইনক্বারি অদু রি-ওপন তৌরগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনসু গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরদা কুমজা ২০০৯গী ফেক এনকাউন্টর কেস অসিগী অকুপ্পা ৱারোলশিং পীরক্নবা হায়খিবগা লোয়ননা কেস অসিগী মতাংদা চপ-চানা এক্সন লৌখৎকনি হায়খিবনি। হোম মিনিষ্ট্রিগী মতম অদুগী এম ও এস কিরেন রিজিজুনসু হেরোজিৎ মশানা মরাল য়াজরিবা অদুনা অচুম্বা ওইরবদি ষ্টেট পুলিসনা মহাক্কী প্রোটেক্সন পীহনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। নেসনল হ্যুমেন রাইটস কন্মিসননসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী থৌদোক অসিগী মতাংদা চপ-চাবা রিপোর্ট অমসু কৌখি।

লোয়ননা সঞ্জিৎকী ইমুং মনুং অমসুং অপুনবা লুপকী মায়কৈদা কন্না কেস অসি রি-ওপন তৌনবা হোৎনরকপদগী ফেব্রুৱারী ১৪, ২০১৭তা সী বি আইনা রি-ওপন তৌনবা আপীল তৌরকপদগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেসন্স কোর্টনা অয়াবা পীদুনা সী বি আইনা মখা তানা মতম অদুগী এদিসনেল এস পি- এ কে ঝলজিৎ য়াওনা ৱাহং-পাউহং চথবা হৌখ্রে। অদুবু হৌজিক করি ফিভমদা কেস অসি লৈরি হায়বসি মীয়ামদা চমম্নবা ফাওরি। হন্দক্তা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ওর্দরদা মণিপুরদা থোকখিবা ফেক এনকাউন্টরদা চেন্নবা আর্মি ওইগেরা, পুলিস ওইগেরা মখোয়গী মথক্তা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম শেমদুনা থিগৎনবা খঙহনখ্রে। মণিপুরদা থোকখিবা সেক্যুরিটিগী মীহাৎশিং অসি মতম চানা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থিগৎনবগী অকনবা ৱাফম ফাওবা এপেক্স কোর্ট অসিনা হায়খিবা লৈখ্রে। অদুনা ঙসিগী লৈঙাক মপুশিংনা থোকখ্রিবা ফেক এনকাউন্টরগী মীহাৎ অসিগী মতাংদা করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎতনা তুমিন্না লৈশিনব্রা হায়না মণিপুরগী মীয়াম্না হংনরক্লি হায়রি। জুলাই ২৩গী থৌদোক অসিগা মান্নবা মীহাৎ কয়া ইন্দিয়াগী মফম খরদা থোকপা লৈখ্রে। অমদি চেন্নবা কয়া কনভিক্সন পীখিবগী ৱাফম লৈখ্রে। অদুবু মণিপুরদদি ঙসি ফাওবা কেস অসিগী মরমদা চপ-চাবা এক্সন লৌখৎতুনা মরাল লৈবা মীওইশিং চৈরাক পীবগী ৱাফম লৈত্রি। সী বি আইনসু কেস অসিগী মরমদা মখোয়না ফোঙদোকখিবগা মরী লৈননা অথুবদা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন তৌদুনা সপ্লিমেন্টরি চার্জশিট থাগৎকদবনি। মরম অদুনা মণিপুর মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট য়েংদুনা অথুবদা মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা পুলিস পার্সনেল অমসুং মকোক থোংবা মীওই খুদিংমক অথুবা মতমদা লোগী ওইবা মতীক চাবা চৈরাক পীনবা হোৎনবনা মণিপুরগী মীয়াম্না লৈঙাক অসিবু থাজবা হেনগনি। মদু নৎত্রবদি মীয়াম্না থাজদবা হেন্না থল্লক্কনি। লেজিসলেচরশিংনসু কেস অসিদা তুমিন্না লৈশিনব্রা হায়বগী ৱাহং কয়া মণিপুরগী মীয়াম্না হংনরক্লি হায়রি।

অপুনবা লুপকী কো-ওর্দিনেটর ফুলিন্দ্রো কোন্সমনা মখা তানা হায়, সুপ্রিম কোর্টনসু মণিপুরদা লীশাং শীৎনা চথরকপা ফেক এনকাউন্টরগী কেস খরগী জজমেন্ট পীবা হৌখিবগা লোয়ননা কম্পেন্সেসন পীবগী ৱাফমগী মতাংদা ঙাঙনরি। অদুবু লুপকী পান্দমদি কম্পেন্সেসন খরা ফংবদু নত্তে। মীহাৎতা চেন্নরিবা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংগী চপ চাবা চৈরাক পীবদুনি। মরম অদুনা মতুং তারকপদসু হনবা লৈতনা ঙসি লমদম অসিদা চথখিবা ষ্টেট টেরোরিজম অসি মখা তানা অপুনবা লুপনা থেংনখিগনি। অমদি মরাল লৈবা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংগী মথক্তা মতীক চাবা চৈরাক পীনবা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজঙ চঙশিল্লকপদা মণিপুর মীয়াম্নসু অচৌবা শরুক য়াবিরক্কনি হায়না অপুনবা লুপনা চেৎনা থাজে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

HIV IS TRANSMITTED THROUGH
Unprotected sex with an HIV infected person.
Sharing of HIV infected needles & syringes.
From HIV infected mother to her baby.
Transfusion of HIV infected blood or blood products.
Issued in public interest by
Manipur State AIDS Control Society

HL-B/7016/2-31july